
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 50, Issue No. 309 | নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ২৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, February 16, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### অঙাং উন্নবা নুমিৎ ৮নি শুরকপদা ময়ূমদগী থোকখ্রগা নম্বুল তুরেলদগী শিনা ফংখিবী নিরোদাগী পি এম এগজামিনেশনগী রিপোর্ট পীরকখ্রে

# ‘এসফিক্সিয়া’না মরম ওইদুনা শিবা ওইগনি হায়রি অদুবু হিষ্টোপেথোলোজিকেল ১সুং টোক্সিকোলোজিকেলগী রিপোর্ট ঙাইরি

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৯দা ক্বাকৈথেলদা লৈবা এসিয়ন হোস্পিটালদা অনীশুবা মচা (মচানুপা) অমা শিজরিয়ন সেক্সনদা উন্নরবা মতুং নুমিৎ ৮নি শুরকপা জন্যুৱারী ২৭ অমসুং ২৮গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.৫৭ লোম তারকপদা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়দা লৈবা মপুরোইবগী য়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরল্লগা থা অসিগী ১০গী অয়ুক্তা হৈরাঙ্গৈইথোং মনাক্কী নম্বুল তুরেলগী মফম অমদগী শিনা ফংখিবী (মপাম-খোংমন জোন-৪)দগী সেরাম নিঙোল সলাম ওংবী নিরোদাগী হকচাংদা পাঙথোকখিবা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশনগী রিপোর্ট কেস অসিগী আই ওদা পীরকখ্রে।

পাউচে অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙরাং তৌখিবা রিপোর্টতা লৈখিদ্রবী নিরোদাগী চহী ৪০ হায়খিবদু মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হায়খিবনি। অদুবু মহাক্কী হকচাংবু পোষ্ট মোর্টেম এগজামনেশন তৌখিবা রিমসকী ফোরেন্সিক মেদিসিন এন্দ টোক্সিকোলোজি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী পীরকখিবা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশনগী রিপোর্টতদি লৈখিদ্রবীগী চহী ৪২নি হায়না পল্লকখি।

লৈখিদ্রবীগা পোকমিন্নবা মচে এস নন্দিনিদা মহাক্কী হকচাং নম্বুল তুরেলদগী ফংলবা মতুং থা অসিগী ১২দা মহাক মশানা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা শীংজমৈ পি এসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখিবনি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না নুমিৎতুগী নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা পুলিস ষ্টেশন অসিনা বি এন এস-২০২৩গী সেক্সন ১০৩(১) (মর্দর) অমসুং সেক্সন ৩(৫) (কম্মন ইন্টেন্সন) গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৪৮(২)২০২৬ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবী এস নিরোদাগী হকচাংদি মহাক্কী পোকমিন্নবী মচেনা থা অসিগী ১২দা শীংজমৈ পি এসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরবা মতুংদা লৌখৎখিবা মথক্কী কেস অসিগা মরী লৈননা রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন পাঙথোকপা ওইরমদ্রে। মরমদি লৈখিদ্রবীগী মচেনা মনাওনুপী অসিগী মীশিগী মতাংদা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট ফাইল তৌখিবা অদুদি থা অসিগী ১২দনি। অদুগা রিমসকী মীরেলশঙদা মহাক্কী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন পাঙথোকখিবা অদুনা থা অসিগী ১০দনি। অদুগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন অসি মহাক্কী মতাংদা শীংজমৈ পি এসনা বি এন এসকী সেক্সন ১৯৪গী মখাদা থা অসিগী ১০দা লৌখৎপা অন নেচরেল দেথ (য়ু দি) কেস নম্বর ২ ওফ শীংজমৈ পি এস, ২০২৬কী মখাদা পাঙথোকপনি হায়না পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্টতা পল্লি।



জন্যুৱারী ২৭-২৮গী নোংয়াই মতুংদা ময়ূমদগী থোকখ্রবা মতুং ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৬কী অয়ুক্তা হৈরাঙ্গৈইথোং মনাক্কী নম্বুল তুরেলদগী শিনা ফংখিবী সেরাম নিঙোল সলাম ওংবী নিরোদা অমসুং মহাক্কী চহী ৪ শুদ্রিবী মচানুপীগা হিংলিঙৈদা নম্মীন্নবা ফোটো (ফাইল)

মতাংসিদা পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবীনা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়দা লৈবা মপুরোইবগী য়ূমদগী মমাঙ থাগী ২৭ অমসুং ২৮গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.৫৭ লোম তারকপদা থোকখিবদগী মফম খঙখিদ্রে হায়রদুনা মহাক্কী মপুরোইবা সলাম তোম্বা (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস খুঞ্জাওনা লৈখিদ্রবীগী মখুরা সেরাম তোম্বী (খোংমন জোন-৪, ইম্ফাল ইষ্ট) কা লোয়ননা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা মমাঙ থাগী ২৮দা শীংজমৈ পি এসতা মিসিং রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখিবনি। মিসিং রিপোর্ট অদু পুলিস ষ্টেশন অসিগী মখাদগী জি দি (জেনরেল দাইরি) এন্ত্রি নম্বর ১৫/শীংজমৈ পি এস/২০২৬কী মখাদা পুলিস ষ্টেশন অসিগী জেনরেল দাইরিদা এন্ত্রি তৌখিবনি।

### মহাক্না শেৎলম্বা পিঙ্ক মচুগী ফনেক মফম কয়াদা শেগাইরমখি : রিপোর্ট

### অচুম্বা ৱায়েল ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙফম হোংদনা লেপখিগনি : জে এ সী

অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবীগী মচে এস নন্দিনিনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না শীংজমৈ পি এসনা মর্দর অমসুং কম্মন ইন্টেন্সনগী সেক্সন অনীগী মখাদা রেগ্যুলর কেস এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা পুলিস ষ্টেশন অসিমক্না লৌখৎপা অন নেচরেল দেথ (য়ু দি) কেসকী মখাদা মহাক্কী হকচাং ফংবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখিবা অদুগী রিপোর্ট ইন্সটিট্যুট অসিগী ফোরেন্সিক মেদিসিন এন্দ টোক্সিকোলোজি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী য়ু দি কেস অসিগী পুলিসকী আই ওদা পীরকখ্রে।

পূন্না লমায় ৩ পানবা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশনগী রিপোর্ট অসিদা মহাক লৈখিদবগী মরমগী মতাংদা মেদিকেল ওফিসরনা পীবা ওপিনিয়ন (ওপিনিয়ন ওফ দি মেদিকেল ওফিসর এস টু দি কোজ ওফ দেথ) হায়বা ৱাফমদদি মহাক লৈখিদবসি ঈরাক্লবা (দ্রাওনিং) দগী থোকহল্লকপা (এসফিক্সিয়া) না মরম ওইরবা য়াই (দি দেথ কুদ বি দ্যু টু এসফিক্সিয়া রিজল্টিং ফ্রোম দ্রাওনিং) হায়না পল্লি। অদুম ওইনমক হিষ্টোপেথোলোজিকেল অমসুং টোক্সিকোলোজিকেল রিপোর্টশিংদি ঙাইরি (হাও ইভর, হিষ্টোপেথোলোজিকেল এন্দ টোক্সিকোলোজিকেল রিপোর্টস আর এৱেটেদ) হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা পল্লি।

অদুগা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেশনগীদমক পাঙথোকখিবা মহাক্কী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশনদগী লৌহৌখিবা মহাক্কী হকচাংগী তোঙান তোঙানবা পার্টশিংগী স্পেসিমেন্ট /আইটেমশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মহাক্কী হকচাং ফংবা মতমদা মহাক্না শেৎলম্বা পিঙ্ক মচুগী ফনেক অদুদি মফম কয়াদা শেগাইরমখি (ৱান পিঙ্ক কলর ফনেক টোর্ন এট মল্টিপল প্লেসেস) হায়নসু পল্লি।...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ঐনা ঐগী মীয়ামগী থবক তৌরিবনিনা ঐহাক্না মণিপুর লৈঙাক্তা য়াওবনি : দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৪গী নুংথিলদা ৱাশক লৌবদা দেল্লীগী মণিপুর ভবনদগী ভর্চ্যুএল মোদতা চীফ মিনিষ্টরগী হেক মতুংদা মণিপুরগী অহানবা নুপী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবী (কাংপোকপী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ) নেমচা কিপগেননা পাউগী এজেন্সী ‘দি ৱীক’তা পীখিবা অখন্নবা ইন্টরভিয়ু অমদা এজেন্সী অসিনা করিগীদমক্তা লৈঙাক অসিদা য়াওবগী মথৌ তারিবনো হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা ঐহাক্কী ওইনদি পোলিটিক্স হায়বসি মীয়ামগী থবক তৌবনি। পোলিটিক্সকী খূত্থাংদা ঐগী মীয়ামগী থবক তৌরি। লুচিংবা হায়বসি পৱার নৎত্রগা পোজিশনগী নত্তে। মসিদি লৌগদবা থৌদাং পুকচেল শেংবা অমসুং দিগ্নিটিগা লোয়ননা থবক তৌবদুনি। মরম অসিনা ঐহাক্না লৈঙাক অসিদা য়াওনবা ৱারেপ লৌবনি। নেগোসিএশনশিং অমসুং সোল্যুশনশিংনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট লাম্থোক্তুনা চৎপা য়ারোই। সেন্টর খক্তনসু ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। মরম অসিনা হৌজিক ঐহাক এসেমব্লিদা হকথেংননা শরুক য়াবা ঙমদ্রবসু লৈঙাক অসিদা য়াওবা হায়বসি তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন

পাউগী এজেন্সী অসিগী মায়কৈদগী মঙোন্দা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা করি থবক লৌখৎলবগে হংবদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিগনেনা হায়, ঐঙোন্দা সিক্যুরিটি মতিক চানা পীরে। ঐহাক্না পুকচেল শেংনা থবক তৌরিবমখে ঐহাকপু লাইনা ঙাক শেনবীগনি হায়না থাজে। অদুবু করিগুম্বা মথৌ তারবদি ঐহাক ঐগী মীয়ামগীদমক সেক্রিফাইস তৌনবা থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়খি।

তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়, অমত্তা ওইমিন্নবা হায়বসি মরু ওই হায়রদুনা ঐনা ফূরুপ অমখক্তগী ওইনা মহুৎ শিনবা নত্তে। ঐহাক ত্রাইবেল মীয়াম পুম্নমক্কী মহুৎ শিনবা ত্রাইবেল লিদর অমনি। ঐনা অপীকপা ৱাখলদা মীয়াম্বু খায়দোক্তে। ইন্টিগ্রেশন হায়বসিনা লৈঙাক্লোন অমসুং ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি।...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# মহৈরোয়শিংনা খুন্নাই অসিগী য়ূম্বী ওইরিবনিনা মখোয়বু মরু ওইনা লৌগদবনি : চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দ

### চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা সৈনিক স্কুলগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):** মহৈরোয়শিংনা খুন্নাই অসিগী য়ূম্বীশিং ওইরিবনিনা মখোয়বু মরু ওইনা লৌগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্না সৈনিক স্কুল ইম্ফালদা হকথেংননা চৎতুনা স্কুল অসিগী ফীভম য়েংশিনবগী খোঙচৎতা মহৈশঙ অসিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংদা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা স্কুল অসিদা থুংলবদা এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো অমসুং স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল কর্নেল এ রঞ্জিৎ অমসুং মহৈশঙ অসিগী সিনিয়র ওফিশলশিংনা তরাম্না ওকখি।

প্রিন্সিপালগী মায়কৈদগী স্কুল অসিগী মতাংদা অকূপ্পা মরোলশিং চীফ মিনিষ্টরদা ফোঙদোকপগা লোয়ননা স্কুল অসিনা হৌজিক মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংসু পাউদমখি। প্রিন্সিপালগী ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা স্কুল অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী ফীভম শোকচিল্লকপা, ৱাটর সপ্লাইগা মরী লৈনবা ইস্যু, স্কুল অসিগী অকোয়বদা চেকপল খাজিনবগী তঙাইফদবা, নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল শাগৎপগী থবক পন্দুনা লৈবা য়াওনা স্কুল অসিগী বিক্রম বত্র ওদিটোরিয়মগী সাউন্দ সিষ্টম নুংঙাইতবগী ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা স্কুল অসিগী কেদেটশিংনা লৈবাক্কী থাক্তা পাঙথোকপা চাংদম্নবা কয়াদা শরুক য়াবা অমসুং কম্পিটিটিভ এগজামিনেশনশিংদা শীংথানীংঙাই ওইনা মায় পাক্লকপা য়াওনা...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ৱাংজিংদা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** খোরিরোল শন্দোক লূপ (ৱাংজিং), মণিপুর সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমসুং নিঙোল খূৎ, মণিপুরনা পূন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২১গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ৱাংজিংদা লৈবা খোরিরোল শঙলেনদা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিদা সায়োকা তেম্বাগী প্রসিদেন্ট কার্তিক মাইবা, খোরিরোল শন্দোক লূপ (ৱাংজিং) গী প্রসিদেন্ট তোংব্রম বাবুলাল, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. য়ুম্নাম মহেন্দ্রকুমার অমসুং নিঙোল খূৎ, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খুন্দোংবম...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## নুপী য়ু জি ২ ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ত্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উপোকপী মমাঙ লৈকায়দগী সলাম নিঙোল সনসম ওংবী শান্তিকুমারি (২৯) কৌবী কাদর অমা পোরোম্পাৎ পি এসনা কোল্লিবা ন্যু চেক্কোন নোংপোক ইঞ্জোলদগী মোবাইল ফোন অনী অমসুং আধার কার্দ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লমশাং পি এসকী মনুং চল্লিবা লমদেং থোংখোঙদগী মুতুম জোসিকা এলিয়জ মায়কৈঙাকপী (১৯) কৌবী কে সী পি-অপূনবগী কাদর অমসু মহাক্কী ময়ূমদগী ফারে হায়রি।

## কে সী পি-পি দব্লিয়ু জিনা ৱাফম খরা থম্লক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি -পি দব্লিয়ু জি এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খেঙানবগী চেরোল অমদা মশাগী শাদোং য়োনবদা নত্তনা মীওই কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লিবা সিনা লাইময়ূম নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা লূপ্তা চঙজরক্কদবনি...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিওনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা উখ্রুলদা লুই ঙাইনি ফেষ্টিবেল পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):**

ষ্টেট অসিদা পাঙথোরক্লিবা নাগা ফূরুপকী মহৈ-মরোং লোকপগী ফেষ্টিবেল ‘লুই ঙাইনি’ ২০২৬ ঙসি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা ‘কলচরেল রিনাইসেন্স’ হায়বা পান্দমদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।



তাঙ্খুল নাগালোংনা হোষ্ট ওইরগা য়ু এন সীগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেভেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ), সেন্ত্রেলগী প্রসিদেন্ট নৈফ্যু রিওনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

থৌরমগী মনুং চন্না অথোইবা মীথুংলেননা লুই ঙাইনি ২০২৬কী মোনোলিথ অমসু মায়খুম হাংদোকখ।

থৌরমগী মরী লৈননা নৈফ্যু রিওনা হায়, থৌরম অসি ইচম চম্না ফেষ্টিবেল অমা ওইনা পাঙথোকপা নত্তে। থৌরম অসিগী পান্দমদি মরূ-মরাংশিং হুনবীরম্বা ইপা-ইপুশিং নীংশিংবগা লোয়ননা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা অমগা অমগগী মরক্তা লৈরক্লিবা মরী হেন্না চেৎশিনহনবা অমসুং লৌবুক্তা...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মীওইবনা হিংবদা কলচর য়াওদবা য়াদে : ফাঞ্জৌবম ইবোতোন



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** মীওইবনা হিংবদা কলচর য়াওদবা য়াদে, কলচর অসি ইমুং-মনুংদগী হৌরকই হায়রদনা মীওইবনা হেক পোকপদগী শিবা ফাওবদা কলচর তৌরিবনি অমসুং ইমুং-মনুংগী চৎন-লোনচৎ অসিসু কলচরনি হায়না মণিপুরগী শক্লাইরবা সঙ্গীট নাটক একাদেমি এৱার্দি ফাঞ্জৌবম ইবোতোননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী নিঙোমথোং...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ওক্রম ইবোবী ঙসি কোংগ্রেস প্রসিদেন্টগী চার্জ লৌরগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৫দা এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি কে সী ভেনুগোপাল (এম পি) না থোরকপা চেরোল অমদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী তোঙান





তোঙানবা থৌপুবশিং নৌহৌননা হাপ্লকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর টর্ম অহুল্লক ওইরকখিবা ওক্রম ইবোবীবু এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখ্রবা মতুং হয়েং অয়ুক পুং ১০ তারকপদা ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা মহাক্না ফম অসি পুনবগীদমক চার্জ লৌরগনি হায়রি।

চার্জ লৌবগী থৌরম অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌখিবনি অদুবু কোংগ্রেস এম এল এ মঙামক দেল্লীদা চৎতুনা এ আই সী সীগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মীফম পাঙথোক্লুবা...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# হৌজিক্তি অনৌবা লৈঙাকসু শেম্লক্লবনিনা ঈরাংসু খরা নেমথরক্লবনিনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা ঐখোয়বু অথুবা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুং মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):**

মে ৩, ২০২৩দগী মথোং মরম খঙদবা কুকি-জোগী মীওইশিংনা মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি (সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন) লৌগনি হায়দুনা চত্থরকখিবা লান অসি হৌজিক চহী অহুম শুজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা পাউচে অসিনা ‘হকথেংনবা পাউদম’ গী মখাদা আই দি পিশিংগী পূক্লিংগী ৱাফমশিং ফোঙদোরকপগী মখা তারকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুং মীতৈ লৈকায়দগী লান অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেল্লক্লগা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী কোন্সম ওংবী রঞ্জনাগা উন্নরুবদা মহাক্না হায়, ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লক্লিবা অসি চহী অহুম মপূং ফারক্কদৌরে। মরম অসিনা ঐখোয়না মায়োক্নরক্লিবা অৱাবা অসি য়েংবীরগা অথুবা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো। মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক অদুনা ঈরাং অসি নেমথহনবা ঙম্লমদ্রে। অদুবু হৌজিক্তি অনৌবা লৈঙাক অমসু লৈরকপগা ইরোয়ননা ঈরাং অসিসু খরা নেমথরক্লে হায়রবনিনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা ঐখোয়বু অথুমা মতমদা য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো হায়রকখি।



মশাগী চহী ৫৩শুরক্লবী কোন্সম ওংবী রঞ্জনানা মখা তানা হায়, ঐখোয় হৌজিক ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম্না নে তানা লৈবা পাম্মী। মরম অনি অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপগা ইরোয়ননা ঐখোয়সু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা ফংলগনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈরি। (মথং-মথং)

# হৌজিক চত্থরিবা নত্তনা মণিপুরগী অনৌবা প্রোজেক্ট অমত্তা মপানগী কম্পনি অমত্তনা লৌবা য়ারোই : কে সী পি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী সেক্রেটরি (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্স) এম পূন্সিবা মীতৈগী চেরোল অমনা ইরমদমসিগী শেন্মীৎলোনগী, তুংগী চাওখৎ থৌরাংগী অমসুং লমদম অসিবু শেমগৎ শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখ্রবা কন্ত্রেক্টরশিংগী য়েংদুনা মপান্দগী চঙশিল্লকপা/পুশিল্লকপা কন্সত্রক্সন কম্পনিশিংগী থৌওং অমসুং থৌদৌবু লাকশিন্নবা খঙহনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম কংলৈপাক্কী শেন্মীৎলোন্ননা ঙসি অসুক থীনা শোকথরক্লিবা অসি তশেংনা হায়রগদি ঙাঙথোরকপদনা লৈবাকপু য়াম্না নুংশিবা মালহনবা অদুবু তৌথোরকপদনা লৈবাক্কী তুংগী য়াইফ থৌরাংগী মায়োক্তা লৈবা, নোংখোঙ খুদিংগী পার্টি হোংমদা ইকায়দ্রবা, ইলেক্সনদা শেল খাওজাও খাওজাও থাদরগা মায় পাকখিবা, পৱার পায়বা রাজনিতি ৱালাশিংনা পার্সেন্টেজ চাবা লায়নবা হোৎনবদা ময়াংনা চলাইবা মপানগী কম্পনি কয়া পুশিল্লক্লি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কি ষ্টোন ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদ, হিন্দুষ্টান কন্সত্রক্সন কম্পনি লিমিটেদ অমসুং ভেন্সর কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ হায়রিবা ময়াংগী কম্পনি কয়া অসি মণিপুরদা...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫